খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র চাওখৎনবগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা হোৎনগনিঃ লোকেশ্বর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অসি মতম খুদিংমক্তা য়াইফনবা অমসুং চাওখৎনবগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা হোৎনরি অমদি লেপ্তুনা হোৎনখিগনি হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপরাদা লৈবা এম এল এ লোকেশ্বরগী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, কনাগুম্বা রাজনিতি দল অমতবু অতম্মনা হুন্দুনা চৈবা ঙাংবা অমসুং ক্রিটিসিজম তৌবগী হৈনবী লৈতে। কেন্দ্র অসিগী নহা কয়া ঙাইহাক লৈতনা ঈ পাউ ফাওনদুনা নহাশিং অসি অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংলি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীখলদা মায় পাকপদসু মোজোরিটি ভোট ফংদুনা মায় পাকপা অসিমক কেন্দ্রগী মীয়াম্না থাজবা থন্বীদুনা লাক্লি অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টর্ম চহী মঙা মপুং ফানা ওইখিবা মীওই অমত্তনা থংনবা টার্মদা ভোট কাখিদ্রি অদুবু মহাক্তি মীয়াম্না নুংশিবীদুনা মায় পাকহনবীরে। ওপোজিসনদা লৈজরবসু হেক অঙম্বা মখৈ মীয়ামগী সেবা তৌগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। রাজনিতি তৌরিবনি হায়দুনা চোংথোক চোংশিনদা ঙাওগদবগী শরুক কেন্দ্র দিভলপমেন্টদা ওইনা ঙাওজগে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শারিবা শাওস্নুংদগী শগোলমাং লম্বীগী মতাংদা মহাক্না হায়খি লম্বী অসিদা মখুত্তা শক্তি পায়রে হায়দুনা ৱার্ক ওর্দর য়াওদবিদা লম্বী শেমগনি হায়দুনা মীওই কয়া লাকপগী পাউ তাজরে। ৱার্ক ওর্দর য়াওদবগী অতোপ্পা কেন্দ্রদা থবক শুরুম্বগী ৱা থোক্লখিবা অমদি পি দব্লিউ দি দিপার্টমেন্টনসু থিংখিবা কয়া লৈরিবনি।

হায়রিবা শাওস্নুংদগীনা শগোলমাং লম্বী অসি শেম্বদসু ৱার্ক ওর্দর য়াওদনা থবক শুবা য়ারোই, থিংফম থোকপনি। কুমজা ২০১৯-২০ গী স্পেসল বদজেট সেসনদা মিনিষ্টর পব্লিক ৱার্ক দিপার্টমেন্টনা হাউসতা হায়রিবা লম্বী অসি শেম্নগনি হায়বগী থাজবা পীখিবা অদু অমুক্কা হেন্না থবক্তা থুনা ওন্থোকপীদুনা ফীভম শোক্লবা লম্বী অসি মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খিবদা হায়রিবা লম্বী অসি ফীভম শোক্লে অমসুং ইনপ্রুভমেন্ট তৌবিয়ু হায়দুনা ক্লব ময়াম পুন্দুনা শেমখিবা জে এ সিনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি এপ্রেসিয়েট তৌরদুনা মহাক্না হায়খি জে এ সিনা কৈদৌনুংদা অচান মীরাই নাইবা তৌবিগনু অমদি লম্বী অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবিদুনা থবক শেংনা তৌবিয়ু হায়বা ৱাফমসু থমখি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টদা হায়জবগা লোয়ননা অঙম্বা থবক দিভলপমেন্টগীদমক হোৎনগনি লোয়ননা মহাক্না এম এল এ ওইদ্রবা ফাওবদা হায়রিবা শাওস্নুংদগীনা শগোলমাং লম্বী অসি ফোর লেন ষ্ট্রিকচর ওইহন্নবা মতম কুইনা মঙজরকপা মঙলান অদুদি থবক্তা ওন্থোক্লমগনি হায়খি।

প্রজা মীয়াম সেক্সন খুদিং মরু ওইনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট কয়া পায়খৎচরকপা থবক খুদিংমক্তা মতেং পীবিদুনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অসি মীমান্নবা অমসুং মাংজিল থাবা কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা শেমগৎ শাগৎপদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি হায়রি।

কৌব্রু ইপা-ইমাগী শঙলেন শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী হৌরকফম ওইরিবা কৌব্রু ইমা-ইপাগী শঙলেন শানবা মহৌশা কনবা লূপ মণিপুরনা শীঞ্জদুনা অঙোম নিংথৌগী মচা ইবুংঙো অঙোম পোইরৈতোননা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে হায়রি।

কংলৈপাক মণিপুরগী পিবারেল ইনিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বদা হায়জরুবদা হরাও হরাওনা য়াবিরক্তুনা থৌরম অসি পাঙথোকপা ঙমজখিবনি। ইনিংথৌদি খুদোংচাদবা অমা লৈবদগী পোইরৈতোন ওইনা থারকপনি হায়রি। ঙসিগী থৌরমদা মণিপুরদা চরক চহিং নাইবা নে তাদবা ৱাখলদা অমনা ঙাংবা অমনা তাদবা, মানা মানা ঙাংবনা চুম্লে হায়না চৎনরিবা ঐ শোইদ্রগা লোইরে খল্লিবা ফত্তবা অরানবা লম্বী অসি করম্না অফবা অচুম্বদা পুরক্কদগে হংজরুবদা য়ুমথোঙ খুদিংগী ইমুংদা ঙাম্থোইদুনা লৈবিরিবা লাইনিংথৌ সনামহি মহাক্না তাকপীরকপনি। মহৌশা কন্দবা য়াদে, মহৌশা মহাকপু কনগে হায়রবদি চীংঙু খোইয়ুমগী অশেংবা লাইফম্লেন ওইরিবা কৌব্রু অসিদা খোইয়ুম ইপা-ইমাগী সনা শঙলেন অমা শাউ-ও মতম অদুদা মালম অসে অচুম্বদা অওনবা হায়বদো মপুং ফাগনি তাকপী। মীওইবগী কোক্লেন অসিনা অমম্বদা লৈরিঙৈ অফবা অচুম্বা উবা ঙম্লোই। অদুনা তাইবঙ অসিদা ফত্তবা ৱাখলনা নোংম-নোংমগী লাঙ্গোই চঙশিল্লক্লি। মসি চুমথোকহৌদ্রবদি ফত্তবা ৱাখল অদু থিংহৌদ্রবদি মালেম অসি অঙানবা শরুক উবা ফংলক্লরোই লাইনিংথৌ সনামহি ইপানা তাকপি।

পাউতাক অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক মপু ওইরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং কংলৈপাক মণিপুরগী পিবারেল ইনিংথৌ মৈদিংঙু সনাজাওবা লৈশেম্বা অনীগী লিচিং মখাদা মহৌশা কনবা লূপ মণিপুরনা কৌব্রু ইপা ইমাগী থৱায় ওইবা চীংদোন্দা শঙলেন অমা শাননবা ইনিংথৌগী ময়াথংগা লোয়ননা উরেপ উয়ুং তমজখিবনি। লোয়ননা কৌব্রু ইপা-ইমাগী শেংলবা লাইফম্লেন অসিদা ইপা-ইপু হাক্তক্তী হায়বিরম্বা থাংলোন তরেৎ অসিসু মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না ইপা ইমাগী খোঙয়াদা তমজখি হায়রি।

ইলেক্সন তৌগদৌরবনিনা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ফঙ্কসন তৌহনবীরনুঃ চন্দ্রকান্ত

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসি কাউন্সিল অসিগী মায়োক্তা থবক কয়া চথরকপা অমদি লাক্লিবা কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ১৫ গী মমাংদা ইলেক্সন লৈবা মরম্না কাউন্সিল অসিগী ফঙ্কসন তৌহনবিরনু হায়না নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেসন কম্মিটি অমদি মেদিয়া এফ্যেরসকী জেনরেল সেক্রেটরি সাইখোম চন্দ্রকান্তনা ঙসি সঙাইপ্রৌদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যের্পসন ওইরিবা চীংখাম্বম বসন্তা অসি নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর নাইনগী কাউন্সিল্লরনি। ইলেক্সনগা মরী লৈননা চ্যের্পসন্না লান্না শন্দারকপা লৈবদগী নম্বোল ব্লোক কম্মিটিনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱাফম থল্লকপনি। মরু ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর অৱাশ য়োজনা (পি এম এ ৱাই) গী মখাদা ‘হাউস ফোর ওল’ হায়দুনা সেকেন্দ ফেজগী ওইনা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পায়খৎপনি।

মসি মহুদ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী মীৎয়েং মখাদা অনীশুবা পোজেক্ট পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অসি ৱার্দকী তোঙান তোঙানবা বিনিফিসরি ময়াম অমা থোক্তুনা হাউশিং ফোর ওল বাই ২০২০ গী মখাদা তোঙান তোঙান্না লৈরিবা ৱার্দ ১৯ গী বিনিফিশরিশিং য়ুম শাবা লোইখ্রে। অদুগা শাবা ঙমহৌদবা হৌজিক খরা লৈরিবা মরম অমা নৎত্রগা অমনা য়ারোইদৌবা ময়াম অসি ককথৎলগা অনৌবা প্রোজেক্ট ওইনা সেকেন্দ ফেজদা রিপ্লেস ওইনা খল্লগা মহুদগী দাইরেক্টর হরিকুমারনা পায়খৎলি। মসিগী থবক থৌরম অয়াম্বা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ইগজেক্যুটিভ ওফিসর (ইও) না য়েংশিল্লি।

মসিদা খ্বাইদগী ঙক্লিবা অসিনা হাউসিং ফোর ওলগী সেকেন্দ বেনিফিশরি খন্ননবগী অহানবা নোটিফিকেসন অমা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ই ওনা হৌখিবা। নবেম্বরগী ৭ তা থোকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না পি এম এ ৱাই গী মখাদা বেনিফিশরি ওইবা য়াবা লৈরিবা ৱার্দ ৱার্দকী দিভলপমেন্ট কম্মিটি নৎত্রগনা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরগা ফোর্মদু মেনশিল্লবা মতুংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং লোয়না হাপ্লবা মতুংদা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম অসি সবমিসন তৌগদবনি। মসিদা মহুদগী দাইরেক্টরনা অমদি নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ই ওনা নোটিশ থোকই। মীয়ামদা খঙহল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বেনিফিসরি খনবগী থবক অসিনা তোঙান তোঙান টিম ময়াম অমা লৈরি। অহানবদা ফোর্মশিং অরান অহুই চেক তৌগনি। চহী অমদা ইনকম লুপা লাক্ষ অহুমগী মখাদা লৈবা মীওই ওইগদবনি। মতুংদা কেন্দ্র লেভেলগী কম্মিটি লৈরি, চ্যেরমেনগী লৈরিবা ময়াম অসিনা য়ারবা কান্নদা নোটিফিকেসন অসি থোক্কদবনি হায়রি।

হৌজিক ৱার্দ ৱার্দতগী থাগৎলিবা অসি চ্যেরপাসন্না মাগী ৱার্দ নম্বর নাইন অসিদা মহাক্কী ওফিস ওব দ ৱার্দ কম্মিটি ৱার্দ নম্বর নাইন নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ওইনা তৌরগা সেলেক্সন লিষ্ট ওব পি এম এ ৱাই হাউস ওন সেকেন্দ ফেজ ৱার্দ নম্বর নাইন হায়না নোটিস অমা বিনিফিশরি লিষ্ট থেৎলগা মীয়ামদা লাউদ স্পিকর পাল্লগা খঙহল্লি। হায়রিবা মীওইশিং অসি সেলেক্সনগীদমক খল্লবনি হায়দুনা পব্লিসিটি তৌই হায়খি।

সেলেক্সন তৌবা হায়বা অসি এম এলএনা চ্যেরমেন ওইনা কম্মিটি অমা অদুদা চেরপসন য়াওগনি, অদুগা মহুদ দিপার্টমেন্টগী মীহুৎ য়াওগনি। ই ওনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইবা কাম্মিটি অসিনা ফাইনেল ওইগদবনি হায়খি। অদুবু অহানবগী ফোর্ম সবমিসন তৌরো হায়বদা ফোর্ম পীশিল্লক্লিবা মীশিং অসি ঙসি মানা ৱার্দকী বিনিফিশরি লিষ্টনি হায়না থোক্লবা কানদা মফম মফম খুদিংদা ৱালদা থেৎলকপনি। মসি চ্যেরপর্সন্না মীয়ামদা লান্না শন্দোকপনি হায়খি।

পাউজী মীফম অদুদা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল লোকেন্দ্রো অমদি ভাইস চ্যেরমেন টি নন্দাকুমার শরুক য়াখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন, আর দি এন্দ পি আরগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট তেংনৌপল ব্লোকনা মফম অসিদা দি দি এম-জি কে ৱাইগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ভি এল এফকী প্রসিদেন্ট, য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরিনা থৌরম মপু অদুগা দি এম এম য়ু তেংনৌপল ব্লোক্কী মায়কৈন্দগী রোনিতা অহোংশাংবম, ব্লোক কোওর্দিনেটর স্কিলস অমদি সোরাম সন্দিপ দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর-স্কিলনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইখি। মহৈ মশিন মখা তানা তম্বা ঙমদ্রবা চহী ১৮ দগীনা ৩৫ ফাওবগী লায়রবশিংগী পনখৈ মখাদা লৈবা নহারোলশিংদা মশাগা চানবা ট্রেদশিংদা ট্রেনিং পীদুনা স্কিল হেনগৎহন্দুনা শেম্থোক লম্বী লৈহনবা অমদি মশাগী হিংনবগী লম্বী শেমগৎপা হায়বসিদা রোনিতা অহোংশাংবমনা শন্দোক্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

বোম অমা দিফ্যুজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোঙজোমদগী ফুন্দ্রে চঙবগী লম্বী ময়াদা লৈবা দাইমঙ্গ ব্রিক ফার্মদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম বোম অমা লৈরম্বদগী খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরবা মতুং বোম এক্সপার্ট টিম লাক্তুনা নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা মফম অদুদগী খরা চৎথোক্লগা পোকখায়হনখ্রে হায়রি। ব্রিক ফার্ম অদু তেম্বাদগী হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম হেমন্তগীনি হায়রি।

ব্রিক ফার্ম অসিদগী ফংবা পাউজী মতুং ইন্না ব্রিক ফার্ম অসিগী অৱাংথংবা শরুক্তা লেবরশিংনা নাপী শেংদোকপদা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা থেংনরকপনি হায়রি। খুদক্তা খোঙজোম পুলিসতা পাউ পীরবা মতুং বোম এক্সপার্টশিং কৌদুনা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখিবনি হায়রি। বোম অসি কনানা করিগীদমক থল্লম্বনো খঙদ্রি হায়রি। ফার্ম অসিগী মপু এম হেমন্তনা ফোঙদোরকপদা ঙসিগী বোম থল্লম্বগী থৌদোক অসি থারগা মঙোন্দা কিহন খঙহনবা, বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা অয়েৎ অপন পীরকপসি তরল্লক শুরে। হৌখিবা চহী ১৯৯৬ তসু মহাক্না মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা খোঙজোমদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা স্কোর্ট লৈখিদবগী থৌদোক লৈখ্রে। তেম্বাদা লৈবা মীয়ামদা বোম অনীরক লংশিল্লক্তুনা পোকখায়হনবা অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোকশিং থোকখ্রে অমদি ইম্ফালগী কোনুংদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদসু বোম লংশিল্লম্বগী থৌদোকশিং লৈখ্রে হায়রি। কনাগুম্বা অমত্তনা করিগুম্বা অমতা হায়রকপসু লৈত্রি। দিমান্দ তৌরকপসু লৈতে। মরম অসিনা অসিগুম্বা মী অমবু মরম সুকলৈ লৈতনা কিহন খঙহনবা অসি মতুংদা তৌবিগনু হায়না ফোঙদোকখি।

জিরিবামদা এস বি আই ব্রাঞ্চ হাংনবা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চ অমা হাংনবা ইম্ফালদগী এস বি আইগী রিজনেল মেনেজর, গ্রিইন শর্ম্মনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

টিম অদু ঙরাং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা হরিনগরগী হেলিপেদতা থুংলগা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে সরত কুমারনা ওক্তুনা চন্দ্রপুরদা চত্তুনা এস বি আইগী ব্রাঞ্চ হাংবা য়াব্রা হাইদুনা য়েংশিনখি।

মতুংদা পাউমীশিংদা গ্রিইন শর্ম্মনা জিরিবাম অসি ২০১৬ তগী দিষ্ট্রিক্ট ওইরকপদগী মফমসিদা এস বি আইগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরকপনি। হান্নদগী মফমসিদা ভিজিট তৌগে হায়না খন্দুনা লৈবনি অদুবু ঙসিদি ভিজিট তৌবা ফঙলে। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পব্লিক কনভিনেন্স অমদি সেক্যুরিটিগী ভ্যু য়েংলগা অথুবা মতমদা ব্রাঞ্চ অমা হাংলগনি হায়না ফোঙদোকখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা রিজনেল মেনেজর, রিজেনেল ব্যুজিনেস ওফিস মণিপুর মাংখোলেৎ, চীফ মেনেজর, এস ঐচ লিলাবন্ত, ব্যুজিনেস করেসপোন্দেন্স ফেলিসিটেটর অমদি মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ভাইস চ্যেরমেন কে সরতনকুমারনা চিংবা ওফিসলশিংনা শরক য়াখি।

মোইরাং কৈথেলদা লূপ মরি পুল্লগা কোভিদ-১৯ গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): হৌখিবা নিঙোল চাক্কৌবা হেক লোইখিবগা মোইরাং বজারদা পোৎ চৈ য়োল্লিবা মীওই ১৩ পুন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবা অমদি হান্ননা কনফার্ম ওইরিবা মীওই মঙা লৈখিদ্রবা মতুংদা ইনৌ নৌনা ঙসি ঙরাংসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই অনী লৈখিদ্রে।

মোইরাংদা মীওই ২০০ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে অদুবু টেষ্ট তৌদবা ইমুং অমদি মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বদি চিংনবা লৈরে। মরু ওইনা পোজিটিভ ওইবা অমসুং ওইদবা কয়াগী থেংনফম হায়বগী লায়না শন্দোকফম অসি বজারদা ওইরে। এসেমব্লি সেগমেন্ট কোভিদ এৱ্যের্নেস কম ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটি লৈরবসু হকথেংননা মায়পুননা য়েংশিনদবনা এস ও পিগী ৱাহন্থোক লৈতবগী ফীভমদা লাক্লি।

অসিগুম্বা লুরবা লানফম অসি লৈবনা ‘কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপ (কে ই এম কে এ এল), মোইরাং অপুনবা মৈরা পায়বী ইমা লুপ (এম এ এম পি আই এল), ওল মোইরাং কোভিদ-১৯ ভোলুন্টর কম্মিটি (এ এম সি ভি সী), ওল মোইরাং বজার অপুনবা শিন্মী লুপ (এ এম বি এ এস এল) হায়রিবা লুপ মরি অসিনা মতম খরা লায়না অসিনা পাক্তক্লনা শন্দারক্লিবা অসি খরদং লাকশিন্নবা হৌখিবা নবেম্বর ৩১দগী নুমিৎ তারনি শিন্থা লেপ্পবা ৱারেপ অদু লৌজখিবনি, অমদি নুমিৎ তারনি অসিদা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিং অমদি লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, সি এস ও, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী কয়াগা খূৎশম্নদুনা হেন্না শোকচিল্লবা মফমশিং খঙদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎনবা তাঞ্জা অদু লৌনিংখিবনি।

অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা ৱাফম অসিবু পোলিটিকেলাইজ তৌদুনা পুলিস শীজিন্নরগা খোঙজং অসিবু মায়থীবা পীদুনা দুকান অমদি পোৎফমশিং হাংহনখিবগী থৌদোক মীয়ামগী ওইনা লায়বকথিবনি।

মিনিষ্টর ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমেলি ৱেলফ্যের গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা নবেম্বর ৩০ দা থোকখিবা এস ও পিগী মতুং ইন্না কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুং চনবা কৈথেলশিং থিংগদবনি অমসুং কন্টেনমেন্ট জোন ৱাংমদা লৈবা দুকানশিং হাংদোকপা য়াগনি হায়না মীয়ামশিংনা হায়রে। মোইরাং বজারদা সিন্তোম লাকপদগী চিংনদুনা মশানা টেষ্ট তৌজবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ১৩ থেংনখ্রবনি অমদি টেষ্টতি তৌদবা পোজিটিভ ওইরম্লগদবা মীওই অমদি ইমুং কয়া লৈরবনি। মরম অসিমক্না মোইরাং বজার অসি কন্টেনমেন্ট জোন ওইফম থোক্লে।

লোকেল এম এলএনা চ্যেরমেন ওইবা এসেমব্লি সেগমেন্ট কোভিদ এৱ্যের্নেস কম ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটি লৈজরবসু এস ও পি চৎনহন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌদবনা মোইরাং বজার খক্তা নত্তনা কেন্দ্র অপুনবগী ফীভম অসি কা হেন্না লুশিল্লক্ত্রিঙৈদা লুপ মরি অসিনা ষ্টেট লেভেল কোভিদ মোনিটরিং সেল, মণিপুর অমসুং সী এম মণিপুরগী অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা লায়না অসি লাকশিনবদা মতেং পাংবীনবা পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

লোয়ননা মাইক্রো ফাইনান্সশিং, প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমসুং মরুপ তৌরিবশিংনা মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীদুনা শেলহুল, শেন্দোই অমদি শেন্থং খোমগৎপা অসি মতম খরদি কোমথোকপীনবসু ফোঙদোরক্লি।

য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা তেঙবাংনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা তেঙবাংবিরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাং থা নবেম্বরগী ২১ দা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী সমুরাইলাৎপম সুকদেব শর্ম্মানা মহাক্কী লৈখিদ্রবী অপোকপী সমুরাইলাৎপম মেমা দেবীগী লৈখিদবা ১২ শুবা কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা হোমগী অঙাংশিংবু চাকলেন অমা পীজবিবগা লোয়ননা চেঙ বেগ ৩, আল্লু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ১৫ গী টিন ১, হৱাই কংতক কেজি ২৫, তিলহৌ কেজি ১০, বিস্ক্যুইট বোক্স ২, হৈ মহি পেকেট ১০, পেকেজ ৱাটর পেকেট ১০, ব্লাঙকেৎ ২৫ সু অঙাংশিংগীদমক পীবিরম্মী।

নবেম্বর ২২ দনা পেলেস কম্পাউন্দ থাঙ্গপাৎ মপান হৈরিখাগোক মখোঙদগী রাজেন তোইজাম্বা অমদি তোইজম ওংবী বেবিচাগী মচানুপা পুন্সিবা তোইজমগী ২৯ শুবা চহীগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, হৱাই কেজি ১০, অচাথাউ লিটর ৫ পীবিরম্মী। নবেম্বর ২২ দা নম্বোলদগী ডা. সোনিবালা দেবীগী লমজিং মখাদা হোমসিদা ফ্রি হেল্ঠ কেম্প পাঙথোকপীবগা লোয়ননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৱাই কেজি ৮, বিস্ক্যুইট, চিনিনচিংবা পীবিরম্মী। তাং ২২ দা শ্রী সৈত্য সাই সেবা ওর্গনাইজেসন ইম্ফাল ইষ্ট খুরাইনা নরায়ন সেবা ২০২০ গা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক আল্লু কেজি ২৫, তিলহৌ কেজি ১০, শঙ্গোম পাউদর পেকেট ২, অচাথাউ লিটর ৫, চিনি কেজি ৫, চা মনা, হৱাই থুমনচিংবা পীবিরম্মী। নবেম্বর ২৩ দনা কংলা সিফাই মখা লৈকায়দগী মাইবম ধঞ্জিৎ সিংহ অমদি মাইবম মধুবলা দেবীগী মচা মাইবম লিংজেলগী চহী ৩ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর, ৫, ঙারি কেজি ১, টিন ফিস কৌটা ১০, তিলহৌ, হৱাই, বিস্ক্যুইট, থুম, পাপরনচিংবা পীবিরম্মী।

নবেম্বর ২৪ দনা শিংজমৈ থোংঙাম লৈকায়দা লৈবা কেলভিস কলেক্সনগী অহানবা এনিভর্সরিগা মরী লৈননা হোমগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, ঙারি কেজি ২, মখল কয়াগী হৱাই কিলো ১২, শঙ্গোম পাউদর কেজি ১, বিস্ক্যুইট, পাপর পেকেট ১২, চিনি, কেক, ষ্টেসনরি আইটেমশিং, জর্সি ২০, সামোসা, চা মনা, মাস্ক, হেন্দ ৱাস অমদি খোঙ মোজা ২০ পীবিরম্মী। নবেম্বর ২৫ দনা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী ভাস্কর, সান্তা, অবে, রোমিলা অমদি বেবিনা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবিবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১ অমদি ভাস্করনা লুপা লীশিং ২ সু পীবিরম্মী। তাং ২৬ তনা কৈবী খুলেন্দগী থৌনাওজম ইনাওবী অমদি লন্ধোনিনা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মপুবোক থৌনাওজম তোম্বা অমদি মবোক তোম্বীগী মথংশিংনা লৈখিদবা কুমওন ৯ অমদি ১০ সুরকপগী নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ, হৱাই, অচাপোৎনচিংবা পীবিরম্মী।

নবেম্বর ২৭ তনা লৈমাপোকপম অৱাং লৈকায়দগী অসেম রাজেন সিংহ অমসুং অসেম ওংবী রোগানা দেবীনা অঙাংশিংগীদমক লুপা লীশিং ১ গা চামঙা তেঙবাংবিরম্মী। তাং ২৯ দনা ৱাইতোন ময়ায় লৈকায়দগী ডা. কালা ক্ষেত্রিময়ুমনা হোমদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু মেদিকেল চেকঅপ তৌবিবগা লোয়ননা হীদাক্লচিংবসু পীবিরম্মী। মীয়ামগী মতেংখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবিদুনা তেঙবাংবিরক্লিবা পূম্নমক্কী মফমদা হোমসিগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি হায়খি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

CROSSWORD-3637



ACROSS
1 Secret (4-4)
6 Public transport vehicle (3)
9 Brink (5)
10 Acrobat (7)
11 Nullified (7)
13 Gloss (5)
14 Aromatic spice (6)
15 Tightly clinging shellfish (6)
18 Travel by car (5)
20 Mean, medium (7)
21 Soon (7)
22 By oneself (5)
23 The sun (3)
24 Late afternoon church service (8)

DOWN
2 Vertical (7)
3 Gardening tool (3)
4 Messy (6)
5 English county (9)
6 Beautiful girl (5)
7 Fortified (12)
8 Formal wear (7,5)
12 As a result (9)
16 Group of soldiers (7)
17 Hang loosely (6)
19 Perfect (5)
22 Dolt (3)

Solution 3636



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3436

8			5		1	9		
	2			7	3			
				6				
1	9					3		
	7	2				8	9	
		3					2	1
				5				
			2	9			8	
		1	8		6			4

Solution-3435

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

6	4	7	1	5	2	9	8	3
9	3	2	8	6	4	1	5	7
8	5	1	3	9	7	2	4	6
3	1	6	4	2	8	7	9	5
7	8	9	5	1	6	3	2	4
5	2	4	9	7	3	8	6	1
1	7	8	6	4	9	5	3	2
2	6	3	7	8	5	4	1	9
4	9	5	2	3	1	6	7	8



লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম


ইরাবত ফানবা তৌসি মহাক ঐখোয়গী মায়োক্তা লাল্লোং শিল্লকপা য়াই।
বৃটিশনা ইরাবতপু আই: এন: এ: গা শম্নরগা থবক কয়া তৌরকপা য়াই হায়না ৱান্টেড লাওথোক্লম্মী।
…. ইরাবত ৱান্টেড লাওথোকখরে।
মসিনা মরম ওইদুনা প্রজা সম্মেলনিগী লুচিংবা লৈঙাকপনা ফাদুনা লংথবাল জেলদা থম্লম্মী।